ইন্টরনেসনল জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ লোইশিনখ্রে

# ইন্দিয়ানা গোল্ড ১৪, সিলভর ২ ফংখ্রে



**সী ঐচ নিংথেম, অনুশ্রী রাজকুমারী, এম লিন্থোই চনুনা বেষ্ট ফাইটরগী মনা ফংখ্রে**

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস):
থাইলেন্দগী পট্টায়া সিটিদা লৈবা পট্টায়া স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চখরকপা ইন্টরনেসনল জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌখিবা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিংনা গোল্ড ১৪ অমদি সিলভর ২ পূন্না মেদল ১৬ ফংবা ঙমখ্রে।

সী ঐচ নিংথেম, অনুশ্রী রাজকুমারী অমদি মোইরাংথেম লিন্থোই চনুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী বেষ্ট ফাইটরগী মনা ফংখ্রে।

মোইরাংথেম লিন্থোইনা চহী ১৯ মখাগী নুপীমচাগী কেজি ৫০ কাঙলুপকী লাইট কন্টেক্ট, হেন্দ ফোর্ম অমদি ৱেপনদা গোল্ড মেদল ৩ ফংবা ঙমখি। সী ঐচ কুঞ্জবিহারিনা চহী ১৯ মখাগী নুপামচাগী কেজি ৬০ মখাগী লাইট কন্টেক্ট অমদি হেন্দ ফোর্ম ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ২ ফংবা ঙমখি।

অতোপ্পা গোল্ড মেদল ফংখিবশিং অদুনা লনচেনবা এন অমদি এন নিংথৌহনবনা চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী কেজি ৫১ মখা অমদি মথক, অশ্বিনি খাঙেম্বমনা চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী কেজি ৪৯ মখা, সামোম কেনেদি অমদি সী ঐচ নিংথেমনা চহী ১৯ মথক্কী নুপামচাগী কেজি ৫৫ মখা অমদি ৫০ মখা, বুবুসনা এননা চহী ১২ মখাগী নুপামচাগী কেজি ২২ মখা অমদি অনুশ্রী রাজকুমারীনা চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী কেজি ৪৬ মখাগী লাইট কন্টেক্ট ইভেন্টনি।

টি ঐচ বোরিশ মৈতৈনা চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী কেজি ৪৬ মখাগী লাইট কন্টেক্ট অমদি সী ঐচ জয়চন্দ্রনা চহী ১৯ মখাগী নুপামচাগী কেজি ৬০ মখাগী ফুল কন্টেক্ট ইভেন্টতা সিলভর মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়া টিম অসিগী কোচ ওইনা ডা. এম ইবোমচানা শরুক য়াখি।

এম এন সী এ এলিট

# ট্রাও ক্বাকৈথেল ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চখরিবা ৬শুবা দব্লিয়ু প্রহ্লাদ অমদি দব্লিয়ু রমানন্দ এলিট টুর্নামেন্টকী ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেটচতা ট্রাও ক্বাকৈথেলনা ব্লু হোক খুরাই লম্লোংবু রন ৮৩দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ট্রাওনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর লোইগদবা ওভর ১.১ ৱাৎলিঙৈ ৱিকেট লোইনা তুদুনা রন ১৬৩ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা ব্লু হোক খুরাইনা ওভর ২৬.৩দা ওল আউট ওইদুনা অপীবা টার্গেট য়ৌবা ঙমদনা রন ৮০ লৌদুনা ক্বাকৈথেল টিমগী মখূৎতা রন ৮৩দা মায়থীখি।

মেটচ অসিদা ট্রাওগী প্রিয়োজিৎ কাঙবমনা অনীশুবা ইন্নিংসকী ওভর ৫.৩ বোলিং তৌবদা ৱিকেট ৫ লৌদুনা বোলরগী বেষ্ট পর্ফোর্মেন্স পীখিবগা লোয়ননা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি। টিম অসিমক্কী পুখ্রম্বম প্রফুলোমনিনা বোল ৮৬তা রন ৭৬ লৌদুনা বেটিংগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীখি।

সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমদি পি টি আর সী পাৎসোইনা শগোলশেন নুমিৎতা অনীশুবা সেমফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

# ‘থাঙ-তা মশান্না অসিবু মীরাইবীরব্রা’

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস):



মালেমগী শান্নবুংদা মফম অমা কনবা ঙম্নবা অমদি ওলিম্পিককী থাক ফাওবা য়ৌনবা চোকথবা লৈতনা হোৎনরিবা অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না ফাওবা শকখঙবীদুনা খেলো ইন্দিয়া গেমসতা হাপচিল্লক্লবা লমদম অসিগী য়েলহৌ মশান্না থাঙ-তাবু ষ্টেট অসিগী পেরেন্টেল এসোসিএসন ওইনা লৈরিবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসননা মীরাইবিরব্রা হায়না লমদম অসিদা লৈরিবা থাঙ-তাগী এসোসিএসনশিং অমদি শান্নরোয়শিংনা পেন্দবা থল্লক্লি।

মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসননা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ৩৪দা অথোই-অহেন তান্ননবা চহী অসিগী ওগষ্ট ২৬তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট ওলিম্পিক গেমস অসিদা লমদম অসিগী মশান্না কাং, পোলো, মুক্নানচিংবা য়াওরগা থাঙ-তা মশান্না য়াওরক্তবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা হুয়েন লাল্লোং থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা ফোঙদোরকপদা, মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসননা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি য়াম্না পেন্দে অমদি থৱায় নুংঙাইতে হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা থৌওং অসিনা থাঙ-তা তৌজরিবা ঐখোয়গী পূক্নিংবু হন্থনবগী মচাক অমসু ওইরি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা খেলো ইন্দিয়া গেমসতসু থাঙ-তাগী শান্নরোয়শিংনা মেদল কয়া পুরক্তুনা ষ্টেট অসিগী মিংচৎ পুরকপা লৈখ্রবনি। এম ও এনসু ২০০২গী জন্যুৱারীদগী হুয়েন লাল্লোং এসোসিএসন মণিপুরবু শকখঙবা লৈখ্রবনি হায়খি।

অমরোমদা, মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সুনিল এলাংবমনা ফোঙদোরকপদা, এম ও এগী ওইনা এসোসিএসনদা এফিলিএট তৌবা দিসিপ্লিনশিং খক্কী ওইনা অমদি শিল্লোংদা ওক্টোবর ৩০দগী নভেম্বর ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক গেমসতা য়াওবা দিসিপ্লিনশিংদা পান্দম থল্লগা পাঙথোকপনি। থাঙ-তাগী ওইনসু মরী লৈনবশিংনা এসোসিএসনদা করিসু খঙহল্লকপা লৈত্রি। অদুবু এসোসিএসনগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংগা অথুবদা কুপ্পা খন্নরগনি হায়খি।

৩১শুবা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসন

# এস বিনোই, এল স্বামিকুমার, পি কুঞ্জবিহারিনা গোল্ড লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস):
মণিপুর রাইফল এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক শুটিং রেঞ্জদা চখরিবা ৩১শুবা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসন ২০২২গী ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎতা স্বামিকুমার লৈশাংথেম, পাঙম্বম কুঞ্জবিহারি অমদি সেরাম বিনোইনা তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা গোল্ড লৌখ্রে।

স্বামিকুমারনা (এ-৭৫) ওপন সাইট ৫০ মিটর রাইফল ৩ পি মেনদা পোইন্ট ৪১০ ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। সেরাম বিনোইনা পোইন্ট ৫৫১ ফংদুনা (এস-১০) ৫০ মিটর রাইফল ৩ পোজিসন (এন আর) চেম্পিয়নশিপ মেন ইন্দিভিজ্যুএলদা গোল্ড অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সিনাম সোমোরেন্দ্রো মৈতৈনা পোইন্ট ৫২১ অদুগা গুরুময়ুম প্রমেশ্বরনা পোইন্ট ৪৬২ ফংদুনা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

(এস-৩০) ২৫ মিটর সেন্টর ফায়র পিষ্টোল মেন ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টতা পাঙম্বম কুঞ্জবিহারিনা পোইন্ট ২৬৬, নাওরেম খন্দজিৎনা ২৫৬ অমদি উশম খৃষ্টোফরনা ২৫১ ফংদুনা গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদলশিং ফংখি।

# ইন্দিয়ানা ৫৪ শুবা মিষ্টর এসিয়াগী টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

সোলিন্না জাজোনা জুনিয়র ৱিমেন মোদেল ফিজিকতা ২শুবা পোজিসন তাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস):
মালদিভসনা য়ূম্বু ওইদুনা চখরিবা ৫৪শুবা এসিয়ন বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা ইন্দিয়ানা টিম চেম্পিয়ন তাবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়া টিম রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াখিবী ষ্টেটকী এথলিট সোলিন্না জাজোনা জুনিয়র ৱিমেন্স মোদেল ফিজিক ওপন কেটগোরিদা অনীশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি। কাঙলুপ অসিমক্তদা সোলান জাজোনা ৪শুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

চিংখৈঙানবা অথোকপমনা জুনিয়র বোদি বিল্ডিংগী কেজি ৭৫ মথক্কী কাঙলুপ অমদি দিনেশ লৈতান্থেমনা সিনিয়র বোদি বিল্ডিং কেজি ৭৫ কাঙলুপ্তা ৩শুবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি।

খুমন্থেম সুশিলকুমারনা জুনিয়র বোদি বিল্ডিংগী কেজি ৭৫ মখাগী কাঙলুপ্তা অমদি চিংঙাংবম মঙাল অরাম্বমনা মেন ফিটনেস ফিজিক অমদি মেন স্পোর্টস ফিজিক অনীমক্তা ৪শুবা পোজিসনশিং তাখি।




করিশমা চনুনা ৱিমেন্স বোদি বিল্ডিংগী কেজি ৫৫ মখাগী কাঙলুপ্তা ৪শুবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি।

অমরোমদা, ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন (এ এম বি বি এ)গী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুম্লেম্বম শান্তনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লদুনা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ষ্টেটকী শান্নরোয়শিং অমদি ইমুং-মনুংনা বোদি বিল্ডিং মশান্না অসিদা মখোয়গী কন্ট্রিব্যুসনশিং পীবীবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা থা অসিগী ২২দা ইম্ফালগী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলগদবা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারুরবা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিংবু ওকপা অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু হায়না আপীল তৌরক্লি।

নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# সেমীফাইনেল লাইনঅপ লোইখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চখরিবা অহানবা নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি লীগ মেটচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুর সঙাইসনা পোইন্ট ১৯, সিক্কিম পেন্দাসনা ১৭, অরুনাচল প্রদেশ টাইগর্সনা ১২ অমদি মেঘলয়া লিওপার্দসনা ১০ ফংদুনা টেবলগী তোপ ফোরদা লৈদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল মেটচ অনী থা অসিগী ২২দা শান্নরগনি।

সাই আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা অরুনাচল প্রদেশ টাইগর্সনা মিজোরাম ব্লেক বিয়র্সপু ১-০দা মায়থীবা পীখি।

কাইরুমিনা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা অরুনাচলগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মেঘলয়া লিওপার্দসনা নাগালেন্দ ৱাইল্ড হোগ্সপু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। মেঘলয়াগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু রুশিয়া অমদি নিশিলিয়া মাজোনা চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা মেঘলয়াগী খুশি রেফরিনা রেদ কার্দ বুক তৌখি।

নেহরু ষ্টেট হোক্কী টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

# ভাগিরগী গোলগী মতেংনা থৌবাল চাওনা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস):
দিরেক্টোরেট ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা ৩৯শুবা নেহরু সব-জুনিয়র (অন্দর ১৫) বোইজ ষ্টেট লেভেল হোক্কী টুর্নামেন্ট ঙসি খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা মণিপুর হোক্কীগী প্রসিদেন্ট খোইরোম লোয়ালাকপনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

টি ভাগিরনা চনখিবা গোল ৮, অখোৱামি রাবোটকী গোল ২ অমদি কে বিদ্যাসাগরগী গোল অমগী মতেংনা থৌবালগী ব্রিলিয়ন্ট একাদেমি মেলা গ্রাউন্দনা বিষ্ণুপুরগী থাইমৈ গুইগানপৌ ইংলিশ স্কুলবু লাকচনা ১১-১দা অহৌবা নুমিৎকী গ্রুপ এগী মেটচতা মায়থীবা পীখ্রে।

বিষ্ণুপুরগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা পি ঐচ লনচেনবনা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৮না গ্রুপ অনী থোক্তুনা শরুক য়ারি।

হৌদোকপগী থৌরমদা য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈনা থৌরম মপূ অদুগা য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী জোইন্ট দিরেক্টর এল জয়ন্তকুমারনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

অহানবা এম এন সী এ য়ু-১৪ বোইজ টুর্নামেন্ট

# ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল, পি টি সী সী পাৎসোই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা পি সী সী গ্রাউন্দ ক্বাকৈথেল ময়াই কোইবীদা চখরিবা অহানবা এম এন সী এ অন্দর-১৪ বোইজ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপকী মেটচ অনীদা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল অমদি পি টি সী সী পাৎসোই পার্ট-৩ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা শেদো থাংমৈবন্দবু রন ১৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাই দব্লিয়ু সীনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ২৬.৫দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৬৩ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা শেদো থাংমৈবন্দনা ওভর ২২.৫দা ৱিকেট লোইনা তুদুনা রন ১৫০ লৌরগা লংথবাল টিমগী মখূৎতা রন ১৩দা মায়থীবা নংখি।

মেটচ অদুদা লংথবালগী য়ুম্নাম অথৌবনা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ৫ অমদি বোল ৮দা রন ২ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, গ্রুপ বিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পি টি সী সী পাৎসোইনা য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং মখোঙবু লাকচনা রন ১২৪দা মায়থীবা পীখি।

পি টি সী সীনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ৩০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২৬০ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা ললাম্বুংগী বেটসমেনশিং ওভর ২৬.৪দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৩৬ লৌরগা পাৎসোই টিমগী মখূৎতা লাকচনা রন ১২৪দা মায়থীবা নংখি।

মেটচ অসিদা পি টি সী সী পাৎসোইগী বেটসমেন লনলৈবনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ৭৪দা থুনা য়াঙনা রন ৮০ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

এসিয়ন কেদেট এন্দ জুনিয়র জুদো চেম্পিয়নশিপ

# এল নুংশিথোইনা সিলভর, ঐচ মতৌলৈবীনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): থাইলেন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা চখরিবা এসিয়ন কেদেট এন্দ জুনিয়র জুদো চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াখিবী ষ্টেটকী শান্নরায় অনী লৈশাংথেম নুংশিথোই চনুনা নুপীমচাগী কেজি ৫৭কী কাঙলূপ্তা সিলভর মেদল অমদি হুইদ্রোম মতৌলৈবীনা কেজি ৫২গী কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রে।



পনবা য়াবদি, লিন্থোই চনম্বমনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কেজি ৬৩গী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল লৌদুনা ইন্দিয়াগী মেদল একাউন্ট হাংদোকখিবনি।

# ষ্টেটকী ক্লাইম্বর ১০না এন ঈ স্পোর্টস ক্লাইম্বিং কম্পিটিসনদা শরুক য়ারগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস):
অসামনা য়ূম্বু ওইদুনা গুৱাহাটিগী ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ লাইমাটিদা থা অসিগী ২২দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা আই এম এফ নোর্থ ইষ্ট জোন স্পোর্টস ক্লাইম্বিং কম্পিটিসনদা ষ্টেটকী ক্লাইম্বর ১০না শরুক য়ারগনি হায়না মণিপুর স্পোর্টস ক্লাইম্বিং এসোসিএসননা খঙহল্লক্লি।

ক্লাইম্বরশিং অদুদি মেন্স ওপন কাঙলূপ্তা কাংজম জয়চন্দ্র, থোকচোম বোইনাও, এম দি মেনিশেম মরিং; ৱিমেন্স ওপনদা হিজম মেরিনা চনু, চিতেশ্বরী রাজপুট; জুনিয়র বোইজদা নোংমাইথেম সৈত্যমজিৎ, নাওরেম হেমসন মৈতৈ; জুনিয়র গলর্সতা য়ুম্লেম্বম পুস্পা চনু, দাবিকা দাস; সব-জুনিয়র বোইজদা নোংদম্বা য়ুম্নামনি।

২০২৩গী ওলিম্পিক গেমসতা য়াওরকপা য়াবগী মঙলান চাওনা লৈরিবা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিং অসি থা অসিগী ২১দা গুৱাহাটিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

# ঙাংবম মোদেন ষ্টেট প্রসিদেন্ট খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস):
ইন্দিয়ন য়োংমুদো ফেদরেসননা ঙাংবম মোদেনবু য়োংমুদো মণিপুরগী মার্চ ২০২২দগী ফেব্রুৱারী ২০২৩ ফাওবগী চহী ১গী থৌ পুনবা ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লক্লে।

মহাক ইম্ফাল ৱেষ্টকী সগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইদগীনি।

# টিম বোনজোভি এম এম এ/ ফিটনেস একাদেমি হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস):
ষ্টেট অসিদা য়াম্না পাম্নখৎলক্লিবা মশান্না অমা ওইরিবা মিক্স মার্সিএল আর্টসকী ওইবা একাদেমি অমা ‘টিম বোনজোভি এম এম এ/ফিটনেস একাদেমি’ ঙসি কোনুং মমাংদা লৈবা বজার ইন্দিয়া রোদকী হেক মথং ৪শুবা অমদি ৫শুবা ফ্লোরদা হাংদোকখ্রে।

হাংদোকপগী থৌরমদা মণিপুর রিন্যুএল ইনর্জী দিভলপমেন্ট এজেন্সীগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা উরিপোক্কী এম এল এ খ্বাইরাকপম রঘুমণিনা স্পেসল ইনভাইটি ওইনা শরুক য়াখি।

স্পেসল ইনভাইটিগী ৱারোল পীরদুনা কে ঐচ রঘুমণিনা ফোঙদোকখিবদা, এম এম এ অসি য়াম্না এক্সলেন্ট ওইবা মশান্ননি। মশান্না অসি মার্সিএল আর্টস ফোর্ম ময়াম অমা পূনশিন্দুনা শেম্বনি। এম এম এ অসি ষ্টেট অসিদা অনৌবা মশান্না অমা ওইরবসু মশান্না অসিনা মণিপুরগী নহাশিংদা অচৌবা কান্নবা অমদি পীবা ঙম্লগনি হায়খি।

একাদেমিগী মেনেজরনা ফোঙদোকখিবদা, কনাগুম্বা এম এম এগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা য়াওনিংবশিংনা একাদেমি অসিদা লাকপীনবা খঙহল্লক্লি।

# এম এন সী নিংথেম্বমনা অহানবা হিলঘাট মিক্স কাংগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস):
সোরোক অতিংবী য়ুথ ক্লব (এস এ ৱাই সী)না শীন্দুনা চখরকপা অহানবা হিলঘাট গ্রাম পঞ্চায়ট মিক্স কাং টুর্নামেন্ট ঙসি হিলঘাট মনিং লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা এম এন সী নিংথেম্বম কাংখূৎনা ৱিন্নর অদুগা এল ঈ সী বাবুপারা কাংখূৎনা রন্নর্স অপ তাখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা এম এন সীনা এল ঈ সীবু পাঞ্জল ১৪-৬তা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা এম এন সীগী এস জিতেন অমদি ঈচেল ক্লব দিবোংগী টি ঐচ অনিবালানা লমথা ১৪ অমদি ১৩ কাপ্পুনা নুপা অমদি নুপীগী বেষ্ট লমথাগী মনা ফংবা ঙমখি। ঈচেল ক্লবকী কে ঐচ গুনিন্দ্রো অমদি এম এন সীগী এম মেরাখোম্বীনা চেকফৈ ১৩ অমদি ২১ পান্দুনা নুপা অমদি নুপীগী বেষ্ট চেকফৈগী মনা ফংখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা হিলঘাটকী প্রধান এল সোমোরেন্দ্রোনা অথোইবা মীথুংলেন অমদি এস এ ৱাই সীগী প্রসিদেন্ট এম গোপালনা থৌরম মপূ ওইনা শরুক য়াখি।

এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# এস এস য়ুনা নাপসা থোইখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চখরিবা ৬শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা এস এস য়ু শীংজমৈনা নাপসা খা ইম্ফালবু রন ৮১দা মায়থীবা পীখ্রে।

শীংজমৈ টিমনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৪০দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২০৬ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা বি জে দি মেথদ শীজিন্নদুনা ওভর ২৫দা হন্থরগা টার্গেট ১৯৪ ওইখি। অদুবু অপীবা ওভর ২৫দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১১২ লৌদুনা নাপসানা এস এস য়ুগী মখূৎতা রন ৮১দা মায়থীখিবনি।

মেটচ অসিদা এস এস য়ুগী চুংখাম গুগুনা ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ৪ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

এ দি সী চান্দেল ট্রোফি সুপর দিভিজন লীগ হৌদোকখ্রে

# নারিংখু য়ুথ ক্লব অহৌবা মেটচতা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস):
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলনা শীন্দুনা এ দি সী চান্দেল ট্রোফি সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি লিৱা সরৈ গ্রাউন্দদা দি এস এ চান্দেলগী প্রসিদেন্ট টি এস চাম্না অনালনা হৌদোকখ্রে।

লিৱা সরৈ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা পুল এগী অহৌবা মেটচতা নারিংখু য়ুথ ক্লবনা কপাম দিভলপমেন্ট ক্লবপু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

নারিংখু য়ুথ ক্লবকী মায় পাকপগী গোল অনী অদু আর দি কোলনি অমদি জে এস অলোৱরনা শান্নবগী ৩৪ অমদি ৫৪ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।



কপামগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা লিয়াননা শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি মিনথারভিরনা নারিংখুগী মিকাবু শান্নবগী ৬৪ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি। রেফরিনা মখা তানা কপামগী মোরেনথার অমদি রুংদেনবু শান্নবগী ৬৩ অমদি ৭৪ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখিবনি।

# ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস):
এম বি এ ৩৯শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা শরুক য়ানবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসননা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী টিম খন্নবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২৪গী অয়ুক পুং ৭তা ঈ এস য়ু ইন্দোর হোল ৱাঙ্খেদা পাঙথোক্লগনি।

অমরোমদা, মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসনগী ইন্দোর হোলদা ওগষ্ট ৭তগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৬ শুবা ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ানবা নুমিৎ অসিমক্তদা ইম্ফাল ইষ্টকী শান্নরোয়শিংনা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং পীশিল্লক্নবসু খঙহল্লক্লি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 520

**IM P Brodowski (2450) - Jakub Janeczko (2080)**
**Jana Maciei Mem 2022 Warsaw POL, 2022.07.08**

| | | |
|---|---|---|
| 1.c4 g6 | 2.Nc3 Bg7 | 3.g3 e6 |
| 4.Bg2 Ne7 | 5.Nf3 c5 | 6.O-O Nbc6 |
| 7.e4 O-O | 8.d3 d5 | 9.exd5 exd5 |
| 10.Bf4 dxc4 | 11.dxc4 Be6 | 12.Qa4 Qa5 |
| 13.Qxa5 Nxa5 | 14.Bd6 Rfe8 | 15.Bxc5 Bxc4 |
| 16.Rfd1 Nec6 | 17.Rac1 b6 | 18.Ba3 Rad8 |
| 19.Nd2 Be6 | 20.b4 Bg4 | 21.f3 Rxd2 |
| 22. ... | | |

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 519 Ans. :**
25. ...Qxa3 Opening the line from b3 to b2. 26. bxa3 b2# David and Goliath mate
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com